HUEIYEN LANPAO

Friday, November 04, 2016, Imphal



## পাইপ তিংবা লোইরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : থক্লুবা অরুবা ঈশিং মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্নবগীদমক পোরোম্পাৎ অয়াংপলি লম্লোং মরি ফাংবীদগীনা খুরাই চীঙ্গাংবম লৈরক মচিন ফাওবগী মনুংদা লম্বীগী মনীংথংবদা নৌনা পাইপ লাইন তিংথোকপা লোইরে হায়না পি এচ ঈ দি মণিপুরগী মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর-২গী ইগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়ারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মমাঙ থাগী ৩০দগী হৌনা পাইপ অসিদা ঈশিং থাদুনা কঞ্জুমরশিংদা থক্লুবা ঈশিং য়ৌহনবা ঙম্লে। মরম অসিনা খুরাই সজোর লৈকায়, লাই ৱাংমা অমসুং মিনুথোং জোনেল রিজার্ভরশিংনা হকথেংননা ঈশিং থাজিল্লিবা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ঈশিং কনেক্সন লৌবা য়াদবা অয়াংপলিগী মমাঙদা লৈরিবা পাইপ লাইনসিদগী মওং তাদবা ঈশিং কনেক্সন কয়া মশা মশাগী অপাম্বা মওংদা লো কায়না ঈশিং লৌশিল্লিবশিংনা ঈশিং কনেক্সনগী ওর্দর চে পায়বা ওইরবদি পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই ওফিসতা ওর্দর কোপি অমমমগা লোয়ননা লাকপীয়ু। অনৌবা লাইন অসিদা অথুবা মতমদা হোংদোক্লবা থা অসিগী ৪দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং উনবিয়ু। ওথোরাইজ ওইদবশিং অমসুং অনৌবা কনেক্সন লৌনিংবশিংনা গেজেটেদ ওফিসার অমনা চুম্লে হায়না খুৎয়েক পীরবা ইশা ইশাগী ইঙ্খোল পট্টা অমমমগা লোয়ননা অনৌবা পাইপ লাইন অসিদগী ঈশিং কনেক্সন লৌবা য়াগনি।

## ফিল্ম উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : নোংথোম্বম ফিল্ম প্রদক্সননা পুথোকপা *নিংঙোল চাক্কৌবা* মণিপুরী ফিচর ফিল্ম হৌনবী মতুংইন্না ঙরাং কোনুং মমাঙদা লৈবা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিয়েটর (বোট)তা রিলিজ তৌখ্রে। থৌরমদুদা অম্মেরা পেক্কেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটরগী মেনেজিং দিরেক্টর খুরাইজম রতনকুমারনা চীফ গেষ্ট অমদি য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কোনসম লানঙম্বানা থৌরম মপু ওইখি। লিস্থোই চনুনা পুথোকপা ফিল্মসিগী লিরিক্স অমসুং দিরেক্সননা সনাতোন নোংথোম্বনি। ফিল্মসিদা গোকুল, ওলেন, আর্টিনা, ধনমঞ্জুরি, গাইত্রি, লিস্থোইনচিংবা আর্টিষ্টশিংনা মরুওইবা শক্তম লাংলি। ফিল্মসিগী অইবনা চিংখৈ থোক অমসুং লিস্থোই চনুনি।

## খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : এমটুক অমসুং এম জি ওগী জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সীলনা চীফ মিনিষ্টরদা চহী অসিগী ওক্টোবর ১০ দা সেবেন সেন্ট্রেল পে চৎনহন্নবা পোইন্ট ২২ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দ অমা পীশিন্দুনা থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা মতম পীখ্রবা ফাওবদা হৌথিবা ওক্টোবর ২৬ ফাওবদা থবক্তা ওম্থোরক্তববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওক্টোবর ২৬ তগী থা অসিগী ৩ ফাওবা ব্লেক বেজগী খোঙজং চঙশিনখি। মখা তাবা খোঙজং ওইনা হয়েংদগী থা অসিগী ১১ ফাওবা ৱার্কটু রুলস ৱিথ ব্লেক বেজগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এম জি ওগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**GAS TODAY**

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking upto:12/08/2016
Valid form:07/08/2016
***Stk:306***
Timing : 07:30am - 11:00 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Sl. No. 35300**
Booking upto:27/09/2016
Valid form:20/09/2016
***Stk:306***
*First Come First Serve.*

**HARAN VALLEY KWAKTA**
Booking upto:10/08/2016
Valid form: 06/08/2016
***Stk:306***
Timing:07:30am -10:30 noon

**KHONGNANG GAS BISHNUPUR**
**SL. NO. 2711- 2951**
Booking upto:30/05/2016
Valid form:27/05/2016
***Stk:306***
Timing:7:00am to 10:00 am

**LAMBODARA INDANE**
Booking upto:16/09/2016
Valid form:07/09/2016
***Stk:612***
Timing:7:30am to 10:00 am
Pl. bring a copy of Aadhaar.

**MAHALAKSMI INDANE**
Booking upto: 06/08/2016
Valid form: 01/08/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing: 07:00am -10:00 am

**R & H IRILBUNG**
Booking upto: 04/09/2016
Valid form:24/08/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing: 08:00am -10:00 am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
**SL. NO. 6500**
Booking upto: 04/08/2016
Valid form:01/08/2016
***Stk:306***
Timing: 07:30am -10:00 am

# ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজদা স্কিল বেজ ভোকেসনল ট্রেনিং মখল কয়া পীরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মীওংবা মখাদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী জুন ১৩ দা ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজ লিংখৎখিবা স্কিল বেজ ভোকেসনেল ট্রেনিং কয়া দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, ইম্ফালগী কেম্পসতা চথরক্লি।

অহানবা মেদিকেল লেব টেক্নোলোজি অমসুং ফুদ টেক্নোলোজিদা কোলেজ অসিগী কুমজা ২০১৪-১৫ কী একাদেমীক সেসন হৌখিবা অমা দীন দয়াল উপধ্যায় সেন্টর ফোর নোলেজ এক্যুজিসন এন্দ অপগ্রেদেসন ওফ স্কিল্দ হ্যুমেন এবিলিটিজ এন্দ লাইবলিহুদ (দি দি য়ু কৌসল) কেন্দ্রনা অয়াবা পীরকখি অমসুং মথং য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগী মখাদা একাদেমীক সেসন ২০১৫-১৬ হাংখ্রে। কোলেজ অসিদা চৎলিবা একাদেমীক সেসন ২০১৬-১৭ অসিদগী সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট এক্টিভিটিষ্টনা এপ্রুব তৌখ্রে হায়রি।

কম্যুনিটি কোলেজ অসি হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী অরাং নোংপোক থংবা লমদমদা স্বাইবগী চাউবা রিছার্স এন্দ স্কিল্দ ট্রেনিং সেন্টর ওইরকপগী লোয়ননা হৌখিবা চহী ২ অসিগী মনুংদা চাউখৎপগী খুম্ন্নাং চাউশিল্লক্লি।

কুমজা ২০১৫-১৬ তা এদভান্স দিপ্লোমা প্রোগ্রাম ইন টেলিভিজন এন্দ মীদিয়া প্রদক্সনগী ট্রেদশিং অসি হাপচিনখি। লোয়ননা চহী অসিমক্তদা দি দি য়ু কৌসল কেন্দ্রনা বেচিল্লর ওফ ভোকেসন এন্দ মাষ্টর ওফ ভোকেসন ইন রেদিও ইমেজিং টেক্নোলোজি (এক্সরে টেক্নিসিয়ন, এম আর আই, অল্ট্রাসাউন্দ, ঈ সী জি, সী টি স্কেনস) নচিংবগী কোর্স হাংদোকখ্রে।

অমরোমদা, বেচিল্লর ওফ ভোকেসন এন্দ মাষ্টর ওফ ভোকেসন দিগ্রী ইন দিজিটেল মল্টি মীদিয়া টেক্নোলোজি (ন্যুজ রিপোর্টিং এন্দ এনকরিং, ভিদিওগ্রাফি এন্দ এদিটিং, স্ক্রিপ্ট রাইটিং, দিরেক্টর ওফ ফোটোগ্রাফি, ইগজিকুটিব প্রদ্যুসর) গী কোর্সশিং হাংদোকপগী অয়াবা পীরকখ্রে। কুমজা ২০১৬-১৭ দা রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্ট এক্টিভিটিগী থবক থৌওং কয়া পায়খৎপগী অয়াবা পীরকখ্রে। অদুগী মনুংদা মল্টি দিসিপ্লিনরি রিছার্স ইন দ ফিল্দ ওফ রেদিও ইমেজিং, ফিজিকেল সাইন্স, রেদিও থেরাপী অমসুং ফার্মাকোলোজিনচিংবা য়াওরি।

চৎলিবা চহী অসিদা হায়রিবা ট্রেদশিং অসি এন এস ক্য এফ লেবেলদা অপগ্রেদেসন তৌরকপগী লোয়ননা অপগ্রেদেসন ওফ দ এদভান্স দিপ্লোমা প্রোগ্রাম ইন মেদিকেল লেবোরেটরি অমসুং ফুটস এন্দ ভিজিটেবল টেক্নোলোজি টু দ বেচিল্লর ওফ দিগ্রী প্রোগ্রামসু অয়াবা পীরক্লে।

অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা মখলগী তোপ-তোপ্পা স্কিমগী প্রপোজেল কয়া সবমিট তৌরকপগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি য়াওনা হায়র এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসন ৭০৮ কী মনুংদা ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজ অসি অহানবা ফেজগী ওইনা ইনষ্টিট্যুসন ৪৮ খঙ্গং এপ্রুব তৌরকপা য়াওরকখিবনি। এক্সপার্ট শিংনা য়েংশিল্লবা অমসুং মীফম কয়া পাঙথোক্লবা মতুংদা দি এম কম্যুনিটি কোলেজগী থবক থৌওংশিং অদুদা য়ুস্ফুম ওইরগা হেল্থ কোর, ফুদ অমসুং মীদিয়া সেক্তর অহুম অসিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট সেন্টর হাংনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে। অসিগুম্বা স্কিম অসিনা স্কিল বেজ, জোব ওরেন্টেদ দিগ্রী অমসুং মল্টিপল এক্সিট পোইন্টশিংগা লোয়ননা থা তরুকনী সার্টিফিকেট কোর্সসু হাংদোকনবা লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা থবক ফংহনবগী চাউনা খুদোংচাবা পীরি।

অমরোমদা, চহী ১ গী দিপ্লোমা কোর্স, চহী ২ গী এদভান্স দিপ্লোমা কোর্স, চহী ৩ গী বেচিল্লর ওফ ভোকেসন দিগ্রী কোর্স, চহী ৫ গী মাষ্টর ওফ ভোকেসন কোর্সনচিংবা হাংদোক্তুনা থবক ফংহন্নবা হোৎনরি।

# কোংগ্রেসকী কম্মিশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল লৈঙাক পায়রিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি, মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগা পুল্লা খুৎশঙ্গমুনা ঙসি বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনগী গেটতা ৱাকৎ মীফম ফমগা লোয়ননা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়াসু লাউখ্রে।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল তিলোত্তমানা হায়খি, ইন্দিয়ন ফোর্সসগী পোখ্রাবা এক্স সার্ভিসমেননা রান্ক ৱান পেন্সন চৎনহনগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রবসু মপুং ফানা থবক ওইনা ওস্থোক্তদবগী মরমদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা রাম কিষন গ্রেৱাল কৌবা এক্স সার্ভিসমেন অমা মশা মতোমতা শিজখি। মতুংদা দিল্লিগী রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটালদা লৈখিদ্রবগী হকচাং থল্লিবা মফম অদুদা ওল ইন্দিয়ন কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস চোরমেন রাহুল গান্ধীনা হংবা চৎপা মতমদা দিল্লি পুলিসনা মিনিট ৭০ রোম দিটেন তৌদুনা থমখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং অসি চঙশিনবনি।

দিল্লি পুলিসনা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা চথখিবা থৌওং অদু দিমোক্রেসিবু খোঙ্দোম্নবনি অমসুং মোদি গভর্ণমেন্ট অসি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনি হায়না মহাক্লা মরাল শিখি। রাহুল গান্ধীবু দিটেন তৌদুনা থমখিবা থৌদাং লৌদুনা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর ফম থাদোক্তদবনি অমসুং দিফেন্সকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংসু চৈরাক পীফম থোকই হায়খি।

মী শিবগী হংবা চৎপদা দিটেন তৌদুনা থম্বা অসি কোংগ্রেসকী কম্মিশিংনা য়াবা ঙম্লোই। লৈখিদ্রবগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি ইমুং-মনুংদা হংবা চৎপা য়াদ্রবা মোদিগী লৈঙাক অসি লৈহন্দবনা ফরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমির হুসেননা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা হংবা চৎপদা দিটেন তৌবা হায়বসি রাহুল গান্ধীবু কিরকপগী খুদমনি। মসিদগু নত্তনা লৈখিদ্রবা রাম কিষন গ্রেৱালনা ইমুংগী মীওইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী মায়োক্তা পুলিসনা ফাজিল্লুনা থম্মী। অসিগুম্বা মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মীওইবগী হক খোঙ্কাওনবা লৈঙাক ওইরে হায়দুনা তাকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা এন এস য়ু আইগী পি বঙ্কিমচন্দ্রনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ কী সেপ্টেম্বরদা মোদি লৈঙাক্না ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সননা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না লাউথোকপগী লোয়ননা থমখি। স্কিম অসি চৎনহনবা এক্স সার্ভিসমেন সুবেদার রাম কিষন গ্রেৱালনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হায়জবদা তাবীখিদববু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মশা মথন্তা শিজখিবনি। অশিবা হংবা চৎপদা অথিংবা পীরবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকপা য়াদ্রবা লৈঙাক অসিদি লৈতবনা ফগনি।

# এন সী সীগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): এন সী সী গ্রুপ ইম্ফালগী ৬৫ মণিপুর গালর্স (আই) কোইনা শীন্দুনা নুমীৎ ১০ নি চুপ্পা চথগদবা কম্বাইন্দ এন্যুএল ট্রেনিং কেম্প অমা ঙসি দি এম কোলেজ ওফ কেম্পসতা লৈবা এন সী সী গ্রুপ হেদকার্টরস ইম্ফালদা হৌখ্রে।

হায়রিবা ট্রেনিং কেম্প অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কেদেট ৪০০ রোম্না শরুক য়ারি হায়রি।

এন সী সী গ্রুপ ইম্ফালনা খুন্নাই অসিগী য়াইফগদবা মখল মখা কয়াগী প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। স্বাছ ভারত অভিয়ান, দ্রগশিংগী ফৎতবা অমসুং এইদসকী মরমদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা, এন্টি মেলেরিয়া দ্রাইব, ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট, এদল্ট লিটরেসি, ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসনননচিংবা কেম্প কয়া পাঙথোকখ্রে।

এন সী সী কেদেটশিংনা রিপব্লিক দেগী পেরেদ, ইন্দিপেন্দেন্সদগী থৌরম, ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপা মরাথোন রেসশিং, ইস্কোনদা পাঙথোকপা লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম অমসুং খৃষ্টমাসকী মতমদা চর্চশিংদা অমদি সঙাই ফেষ্টিবেলদা ট্রাফিক কন্ট্রোলনচিংবদা মতেং পাংদুনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। মদুগী মথক্তা কেম্প কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্পগী, দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ক্লাসশিং লোয়ননা যোগ ক্লাসশিংসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ট্রেক্কিং অমসুং এদভেঞ্চরগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না ৬৫ মণিপুর গালর্স (আই) কোইগী ও সী লেফটিনেন্ট কর্নেল এস এম ঠাকুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# দেসামগী থৌমীশিং ফূরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফমশিং ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম অঙম্ববু পুলিসনা তমথিনা ফূরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নোংঙাদা মখা লৈকায়দা ইষ্টর্ন য়ুনিক ক্লব, নোংঙাদা কমেং খুঞ্জাও অমদি ইষ্টর্ন লাইওন্স ক্লব, নোংঙাদা অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা পুন্না শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফমদুনা পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লাউখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইষ্টর্ন লাইওন্স ক্লব, নোংঙাদাগী সেক্রেটরি থাংজম জিবননা ফোঙদোরকপদা, দেসামগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মোইরাংথেম অঙম্বা মতম অমদা ইষ্টর্ন লাইওন্স ক্লবকী সেক্রেটরিসু ওইরম্মী। পুলিসনা কা হেন্না লীচৎ চৎতুনা মহাকপু তমথিনা ফূরকখিবা থৌওং অসি তৌহন্নিংদে। মীওইবা অমদা পুলিস পার্সনেলশিংনা চৎলিবা কা হেনবা থৌওংশিং অসি য়ানিংদে। হোম দিপার্টমেন্টনসু অসিগুম্বা থৌওং অসি চথবদা চেন্নবা পার্সনেলশিং অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎপীয়ু। হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিনবা অসি হোম দিপার্টমেন্টকী অশোনবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা এম অঙম্বা পুলিসনা ফূরকপা য়ানিংদে, পুলিসকী থৌওং কা হেনবনি, অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

অমরোমদা, দেসামগী প্রসিদেন্ট য়াওনা লূপ অসিগী থৌমী মঙা থর্দ দিগ্রী মেথোদ শীজিন্নদুনা ওৎ-নৈখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসিসু কৈশাম্পাৎতা লৈবা দেসামগী ওফিসকা মায়োক্নবদা মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

মরকসিদা, ৱাঙ্গৈই হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না দেসামগী প্রসিদেন্ট এম অঙম্বা য়াওনা থৌমী মঙা পুলিসনা তমথিনা ফূরকখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী কষ্টদিদা ক্রিমিনেল অমদগী হেন্না শাথিবা মওংদা চথখিবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওং অদু লোগী ৱাংমদনি। পুলিস পার্সনেলশিংগী কায়-হেনবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়রি।

## ইলেক্টোরেল রোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : চানবীরোকগ্রাম পঞ্চায়ট কন্সটিট্যুয়েন্সী, ৬/১৬ পোৎশংবম গ্রাম পঞ্চায়ট ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল মমাঙ থাগী ২১দা ফোঙখ্রে। হীরমসিগী মতাংদা দি সী ইম্ফাল ৱেষ্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা এ দি সী লমশাংগী ওফিসতগী য়েংবা য়ারগনি হায়না দি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এক্সিদেন্টতা শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ : ইম্ফাল টিদিম লম্বীগী ইস্কোন মনাক্তা ওটো রিক্সো অমগা সেন্ট্রো কার অমগা থেংগায়নবদা মীওই অনী শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টিদিম লম্বীগী ইস্কোন মনাক্তা থোকখিবনি। শোক্লবা ওটো রিক্সো দ্রাইভর অমদি সেন্ট্রো দ্রাইভর রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

# ইন্টর স্কুল দিবেট এন্দ ক্যুইজ কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): দিমাপুরদা লৈবা রঙ্গপহার মিলিটরি ষ্টেসনগী আর্মি পব্লিক স্কুলনা শীন্দুনা অহানবা ইন্টর স্কুল ক্যুইজ এন্দ দিবেট কম্পিটিসন ২০১৬-১৭ হৌখিবা নবেম্বর ২ দা পাঙথোকখ্রে।

অথোই-অহেন তান্নবা অদুদা দিমাপুর সিটিগী তোঙান তোঙানবা স্কুল ৯ দগী লাকপা মহৈরোয় ৫১ না শরুক য়াখি হায়না প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (দিফেন্স ৱিং)না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সোসল মীদিয়া: এ বুন ওর বেন হায়বা টোপিক অসিদা পাঙথোকখিবা ক্যুইজ কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোয়শিংনা অথোই-অহেন তান্নখি। দিল্লি পব্লিক স্কুল, দিমাপুরনা দিবেটিং কম্পিটিসন্দা অহানবা, কেন্দ্র বিদ্যালয়া রঙ্গপহার মিলিটরি ষ্টেসন্না অনীশুবা তাখি। ক্যুইজ কম্পিটিসনদা আর্মি পব্লিক স্কুল রঙ্গপহারনা অহানবা অমসুং দিল্লি পব্লিক স্কুল, দিমাপুরনা অনীশুবা তাখি। দিমাপুরগী সব-দিভিজনল এদ্যুকেসন ওফিসর কিয়েলো, খৃষ্টিয়ান হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল মোৱা অমসুং রঙ্গপহার মিলিটরি পুলিস ষ্টেসনগী মেজর সিখা সিংহনা জজগী পেনেলশিং ওইখি।

হেদক্কার্টরস থ্রী কোরগী এ দব্লিয়ু দব্লিয়ু এগী জোনেল প্রসিদেন্ট ভিভা কৃষ্ণনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখি অমদি মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা অথোই-অহেন তান্নবগী ৱাখল্লোন্দা থৱায় য়াওনা শরুক য়াখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## বি জে পিনা পাল্লবদি মণিপুরদা...

*লামায় ১গী মখা...* করি থোক্লকপগে হায়বদু মীয়াম্না নৈনবীয়ু। এ সী অমদা মীহুৎ অমা কাবা হায়না পান্নরবসু বি জে পি পার্টিগীদি কুল্লিবা কৈ ৪/৫ মক লোইনা এম এল এ ওইগনি হায়বসি তাবদা নোক্তবা ঙমদে। নুংশি চান্নবা হিংমিন্নরম্বা ফুরুপ মশেল কনানা নুংশিন্নদনবা হু কামশিনবগে হায়বদু পিছ একোর্দনা ময়েক শেংলবা খুদমনি।

স্পিকরনা মখা তারদুনা, মণিপুরদা পোলিটিকেলগী লুচিংবা ওইখিবা খুদিংমক কোংগ্রেসতগী তোকখিবা ঙাক্তনি হায়না পল্লদুনা ফরে হায়রিবা বি জে পিদগী অফবা অমত্তা থোকখিদ্রি। মসিনা তাক্লিবদি কোংগ্রেস পার্টিরা ফৎত্রিবসে, মীশক্তুরা হায়বদু নৈনবিরো? কোংগ্রেসতগী তোক্কদবা লুচিংবা লৈত্রে হায়রদুনা হৌজিক্তি বি জে পিগী লুচিংবা কয়া কোংগ্রেসতা চঙলক্লগে হায়বা হৌরে। পার্টিগী ইথিক্সসু, লুচিংবা অমনা করি চৎকদগে খঙদবশিংনা করম্বা ৱাখলদা ভোট লেপ্পীনিংলিবনো?

মণিপুরগী ফীভম শোক্লিবসি ষ্টেটসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন ৬০ দগী কারিবা মীহুৎশিং মতিক চাদবদগীনি। মীহুৎ ৬০ না মমা লৈবাক্কী, মীয়ামগী কথোকপা ঙম্লবা, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি জর্নেলিষ্টশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌরবদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপদা অরাইবা ওইগনি। খুন্দ্রাকপম এ সী মহাক্কী মতমদা অতৈ এ সীদগী হেন্না মশক থোক্লা শেমগৎকে হায়বসি মহাক্কী মঙলাননি। চাউখৎ থৌরাংগী পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা মীয়াম্না তেংবাং পীবীয়ু।

থৌরমদুদা চীংখুগী অহল ওইরবা নাগেশ্বর চীংখুবানা প্রসিদেন্ট ওইখি। হরাওরৌ তাংখম জি পিগী প্রধান টি হেমাপটি, খুন্দ্রাকপম জি পিগী প্রধান এস তোম্বী অমদি ৱাইতোন জি পিগী প্রধান কে কলাচান্দনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## শুফম নোম্ফম খঙদ্রবশিংদা থবক...

*লামায় ১গী মখা...* পার্টি অসি এন্টি ইনকমবেন্সি ফেক্টরদা লৈঙাক পায়বা ঙমগনি হায়না থাজব্রা হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎখ্রিবা থবক থৌরমশিং অসি য়েংলুরগদি মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপদা মীয়ামগী অপাম পামদগী ৱাফম লৈগনি থাজদে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা চহী কয়া পায়রকপা অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলক্লি। হৈঙাং এ সীগী মনুংদসু পোনি সেঙ্কচুরি, আই টি পার্কনচিংবা কয়া লিংখৎলকপা লৈখ্রে। মসিগীসু মথক্তা হায় কোর্ট, সিভিল সেক্রেটরিয়েটনচিংবা হৈঙাং এ সীগী মনুংদা থম্বীবনা মরম ওইরদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীবু হৈঙাংগী মীয়াম্না লাইগুম্না লৌনরি। পাৱর সেক্টরদা মীয়ামদা মৈ নীংথিজনা ফংহল্লে। য়ুনিভর্সিটি কয়া লিংখৎলে। কলচরেল য়ুনিভর্সিটি লিংখৎতুনা ষ্টেট অসিগী কলচরবু অৱাংবা থাক্তা থম্বা পাম্মী হায়বদু লৈঙাক্লা উৎলি। মসিমক্লা চীফ মিনিষ্টরগী লীচিংদা চপ চানা থাজবা থল্লি। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অসিদা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎনবা হোৎনগনি। পার্টি অসিদা থাজবা থমই। পার্টি অসিদা য়াওবদা অয়াবা পীরকপগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরিশিং, ভাইস প্রসিদেন্টনচিংবসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কোংগ্রেস পার্টিনা পায়খৎলক্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না থাজবা থল্লি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদসু এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা অসি হেন্না য়াঙনা চঙশিন্নবগীদমক পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মায় পাক্লা চঙশিন্নবগীদমক পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

লুক ইষ্ট পোলিসিগী মতাংদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, থৌশিল অসি লাকপদা কান্নবা ফংগদৌরিবা মণিপুরনা হৌজিক্তগী হৌনা করম্না এক্ট অসিগী মখাদা কান্নবা লৌগদগে হায়বদু খন্নগদবনি। বন্দ, ব্লোকেদনা ইকনমিদা পীরিবা চৈথেং অসি থিংননবা ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নগদবনি।

অমরোমদা, হৈঙাং এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী নিংঙোল ওইবীশিংবু চাক্কৌদুনা খুদোল তম্বগী থৌরম অমা ঙসি হৈঙাংদা লৈবা এন রতন এলিয়স কাপুগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

এন রতন এলিয়স কাপুনা স্পোন্সর তৌদুনা হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীল লাংলগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হৈঙাং এ সীদা খুন্দামিন্নরিবা মাইনোরিটি মুস্লিমশিং, খৃষ্টান চৎপা ইচিন-ইনাওশিং অমদি ফুরুপ কয়াগী নিংঙোলশিংগা চাক চামিন্নখি। চাউরাকনা কাঙলূপ কয়াগী নিংঙোল ২,৫০০ রোমনা চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা খুদোলপোৎসু পীখি। থৌরম অসি এ সী অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওইশিং নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নবা অমদি নিংঙোল চাক্কৌদুনা অমত্তা ওইনা পুন্নবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না এম রতননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# 'রেজিষ্ট্রারনা কোওপরেটিব সোসাইটিশিংবু লান্না লমজিংবীরে'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেটিব সোসাইটি, মণিপুরগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর খন্নবা মীফম রেজিষ্ট্রারনা মরম চাদনা য়েথোকপবু মীরেপ ওইরিবশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ঙসি বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী মীখলদা মীরেপ ওইরিবা এস ভুবোননা হায়খি, রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেটিব সোসাইটি, মণিপুরনা মমাঙ থাগী ৭ তা ওফিসর ৪ ইলেক্সন তৌনবা থাখি। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা এপেক্স বোদি ওইরিবা মণিপুর হেন্দলূম, ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসান্স কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ, অসিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর খন্নবা ইলেক্সন তৌনবা ট্রেনিং ওফিসর আর ও খন্দুনা হৌখিবা ওক্টোবর ১৭ তা ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন থোক্তুনা ইলেক্সনগী প্রোসিদিং চথরকখি। হায়রিবা রিটর্নিং ওফিসর অসিগী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা কোওপরেটিব সোসাইটিশিংগী ভোট থাদবা য়ারবা দেলিগেটশিংগী মমিং ফোঙবা, ভোট লেপকদবা দেলিগেটশিং নোমিনেসন ফাইল তৌবা, স্ক্রুটিনিনচিংবা পাঙথোকপা, কেন্দিদেটশিংগী সেরিএল নম্বর অমদি সিম্বোলনচিংবা পীদুনা হয়েং ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থবক চথদুনা লাক্লি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা সোসাইটিশিংগী দেলিগেট-শিংনা ভোট থাদনবা শেম শাদুনা লৈরবা মতুংদা খঙহৌদনা রেজিষ্ট্রার কোওপরেটিব সোসাইটিনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা মরম অমত্তা পীরমদনা ইলেক্সন য়ৈথোকপগী নোটিশ থোরকপা অসি মণিপুরগী ফিশাবীশিং অমদি খুৎ হৈবশিং লোয়ননা সোসাইটিশিং লান্না লমজিংবনি হায়রি।

রেজিষ্ট্রারগী মখাদা ইলেক্সন তৌনবা থৌরাং পুন্না লোইখ্রবা মতুংদা খঙহৌদনা ইলেক্সন য়ৈথোরকপা অসিদা রেজিষ্ট্রারনা চথরিবা থৌরাং অসি অচুম্বা নত্তে। মরম অদুনা রেজিষ্ট্রারগী মথোং হুক্তবা থৌওং অসি লোগী থোংদা থেংননবা শেম শারে হায়রি। পাউগী মীফম অদুদা কেন্দিদেট মঙা লোয়ননা কোওপরেটিবকী লুচিংবা, দেলিগেট-নচিংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## লোয়নবী হাৎলবা মতুংদা...

*লামায় ১গী মখা...* অঙনবদনি হায়রি। লৈখিদ্রবী সঞ্জিতাগী চহী ২ রোমতা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা লৈহৌরি। মখোয় অনীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক পুলিসনা ইম্ফালদা পুখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা সঞ্জিতা অসি মপুরোইবনা হান্না হাৎলগা মহাক মশা মথন্তা শিজব্রা নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওইনা মখোয়নিবু হাৎলগা থল্লম্ব্রা হায়বদু চপ চাবা অমা খঙদোক্লবা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

## ইগজাম, মীখল বোয়কোট তৌগনি...

*লামায় ১গী মখা...* ওইহল্লনি হায়রগা অতোপ্পা এদেদ কোলেজ তরুকপুনা লৈঙাক্লা লৌশিনবীদবা হায়বসিদি মওং চুমদবা থৌওংনি। মরম অসিনা লাক্লিবা নবেম্বর ৫ ফাওবগী মনুংদা এদেদ কোলেজ তরুক অসিবু লৈঙাক্কী মপুং ফাবা কোলেজ ওইনা লাউথোকপীয়ু হায়না মণিপুর চীফ মিনিষ্টরদা ঙরাং মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অসিদা হায়জখিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি অমক্তানা হান্নদগী চঙশিল্লকপা খোঙজং অদু মখা তানা চথরগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

## দ্রাফট মণিপুর সিনে পোলিসি, ২০১৬...

*লামায় ১গী মখা...* কনেক্টিভিটিগী ওইনা ইম্ফাল-সিলচর-ইম্ফাল সার্ভিস নুমিৎ খুদিংগী লৈগনি। ইম্ফাল-দিমাপুর-ইম্ফাল সার্ভিসনা চয়োল অমদা অহুম্লক লৈগনি। মসিদা নৎতনা ইম্ফাল-অগরটালা ভাইয়া সিলচর, ইম্ফাল-আইজোল ভাইয়া সিলচর অমসুং ইম্ফাল-শিল্লোং ভাইয়া সিলচরগী সার্ভিসসু লৈগনি। স্কিম অসিগী মখাদা ওপরেটিং কোষ্টকী ভাইএবিলিটি গেপ ফন্দিংগী তঙাইফদবা শেনফমগী চাদা ৯০ না সেন্টরনা অদুগা চাদা ১০ না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কনি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা খুদোম্বীনা বার চিংবদা গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দ চনখিবা নাওরেমথোং শমুশঙদগী মাইবম ইতোম্বদা মহাক্কী মহৈগী থাক্কা চানবা থবক অমা পীবদসু অয়াবা পীখ্রে।

পুন্নমকশিং অসিগী মথক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী শরুক অমা ওইরিবা জিরিবাম সব-দিভিজনদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা কন্ট্রেক্টতা ৱাইরগা থবক তৌহল্লিবা ওজা ১১০ রিগ্যুলরাইজেসন তৌবদসু অয়াবা পীরে। হায়রিবা স্কুলশিং অদুদি, সোরোক অতিংবী গভর্ণমেন্ট এইদেদ হায় স্কুল অমসুং কষ্টুর্ভা গান্ধী গার্লস গভর্ণমেন্ট এইদেদ হায় স্কুলবু লম্বা সোরোক গভর্ণমেন্ট জুনিয়র হায় স্কুল অমসুং কষ্টুর্ভা গান্ধী গভর্ণমেন্ট গার্লস জুনিয়র হায় স্কুলগা পূনশিন্নবা অমসুং এইদেদ হায় স্কুল অনীগী এপ্রুভ অমসুং অন-এপ্রুভ ষ্টাফশিংসু এবজোর্ব তৌবদা ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

## আই এম সীনা দ্রাইব চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা দুকানশিংনা কোর্পোরেসন অসিদগী সোপ লাইসেন্স লৌবীয়ু নৎত্রবদি লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়না কোর্পোরেসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

আই এম সীগী ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার এন জি উত্তমনা নোটিশ অমা থোক্তুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈরিবা দুকানগী মপুশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা সোপ লাইসেন্স লৌবীয়ু নৎত্রগা হান্না লাইসেন্স পায়রবা দুকান ফম্বা মীওইশিংনা লাইসেন্স অদু রিনিয়ু তৌবীয়ু হায়না খঙহনখ্রবা মতুংদা ঙসিদগী আই এম সীগী মেয়র এস সুনিল অমদি দেপ্যুটি মেয়র মাইবোন ফাওমৈনা লুচিংবা টিম অমনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিং লাইসেন্স পায়ব্রা নৎত্রগা মতম চানা রিনিয়ু তৌব্রা খঙদোক্লবা দ্রাইব চথখ্রে।

দ্রাইব অদুদা দুকান কয়া আই এম সীনা পীবা লাইসেন্স পায়রমদবা অমদি মতম চানা রিনিয়ু তৌদবনচিংবা থেংনখি। আই এম সীগী বাইলোগী মতুংইন্না হায়রিবা দুকানশিং অদু ফাইন থিহনখি।

দ্রাইব অসিগা মরী লৈননা আই এম সীগী মেয়র সুনিলনা হায়খি, আই এম সীনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা দুকান কয়া ঙসিমকসু সোপ লাইসেন্স লৌদ্রি। লোয়ননা দুকান কয়া অমনা মতম চানা লাইসেন্স রিনিয়ু তৌদনা লৈরি। নাকল অমরোমদা, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মনুংদা লৈরিবা দুকান কয়া মৈহৌ-লাংপোক থোল্লকপা মতমদা ঙাকথোক্লবা নীতি-নীয়ম অমত্তা চৎনদ্রি। লোগী ওইবা নীয়মশিং চৎনদনা লৈরিবা দুকানশিং অসিগী মথক্তা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল সোফ রেজিষ্ট্রেসন অমদি লাইসেন্সশিং বাইলো ১৯৯৮ অমদি মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট ১৯৯৪ গী মতুংইন্না এক্সন লৌগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। অদুগুম্বা দ্রাইব অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী অকোয়বা মফমশিংদা মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।


তাং ০৪-১১-২০১৬, ইরাই, হিয়াঙ্গৈগী ৪ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ০৮.৫১ দগী ৫নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি সন্থোং, অয়ুক্কী পুং ০৮.৫১ দগী মখা



**মেষ** ঃ চাউখৎপা লৈগনি, পূক্নিং লৈতাবা ৱাৎকনি, মীগা মুক্নবা, চরাংনবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ ঈশিংগী পোৎলম, অরংবা পোৎচৈগী কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ানগনি।
হকচাং ঃ উনসা, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।




**বৃষ** ঃ ইচা ইনাওগী মরীদা ঈকায়বা নংবা, মরী মতানা চানবীগনি, তৌজরুবা থবক্তা চাউখৎপা লাক্কনি।
লল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।



**মিথুন** ঃ ইমুংদা পুকচেল তীন্নবা, মীনা চানবীবা লৈগনি, অকাউবা লাকপা, শেল চৎপা, থবক্তা কান্নজবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ চাউখৎপা, খুৎশু খুৎলাইগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।




**কর্কট** ঃ মখা থাবগা মুক্না, মথক থোংবা মীওইদগী কান্নজগনি, ইমুংগী চরাংনবা লৈ, পূক্নিং ফাথবীয়ু।
লল্লোল ঃ চাউখৎপা পীগনি, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।



**সিংহ** ঃ তৌরুবা থবক্তা খুরৌ থাংবা লৈগনি, ৱাখল লাংতক্নবা, অনৌবা পাউ তাবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা, তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।



**কন্যা**ঃ মথক থোংবগী কান্নজবা লৈগনি, মীগা মুক্নবা, পোৎচৈ লেপ্পা ঙমজগনি।
লল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ শরূদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।



**তুলা**ঃ ঈকায়বা নংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি, শেল চৎপা লৈ।
লল্লোল ঃ ঈশিংগা মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।




**বৃশ্চিক** ঃ পাউ নুংঙাইবা লৈগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি অদুবু শেল চৎনবা মরম লাক্কনি।
লল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।



**ধনু** ঃ করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, অকাউবনা পোৎমাঙ চৈমাঙ পীবা লাক্কনি, পূক্নিং তপথবা ফৈ।
লল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপীবা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনসা, ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।



**মকর** ঃ মীৱা মৈশা লৈগনি, ইমুংদা অনা অয়েক পীরকপা, খুরৌ থাংবা লৈগনি, পূক্নিং ফাথবীয়ু।
লল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ পুক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবা, লৈ হিগোক।



**কুম্ভ** ঃ ৱাখল নুংনাংবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি অদুবু তীন্নবগা মুক্নবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্না চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।



**মিন** ঃ লাংতক্নবা, ইচা ইনাওদগী নুংঙাইজবা ফংবা, কান্নজবা, অরংবা পোৎলম ফংজবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি, মওল মওল খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ কোক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।